# ষন্থি-ষণয়ুংনা পীরিবা কান্নবশিং

**ডাঃ সরাংথেম জেম্মারাণী**

**ষন্থি-ষণয়ুংশিংসি** থায়নদগী হৌনা য়াম্না পাম্না শীজিন্নরক্লি। থায়নদি চৎনবী অমা ওইনা য়ূম খুদিংগী ষণবী অমা নৎত্রগা অমদগী হেন্না লোইনরম্মী। মসিদসু নত্তনা ঐনা তাজবদা থায়নদি লুহোংবা মতমদা ষণবু অউনপোৎ ওইনা উনবগী চৎনবীসু লৈরম্মী। ষন্থি-ষণয়ুংশিং অসিনা হার ওইনা শীজিন্নবগী মথক্তা চাক-ঈশিং থোংনবা ফাওবদা চৎনরম্মী। রিপোর্টকী মতুং ইন্না ষন্থি-ষণয়ুংসি অহুম থোকপগী অনীদি চাক-ঈশিং থোংবদা শীজিন্নে অদুগা শরুক অমনা হার ওইনা শীজিন্নে। হৌজিক্কী মতমদদি ওর্গানিক ফার্মিং লোমদা মায় ওনশিল্লবনিনা ষন্থি-ষণয়ুংশিংসি চঙদবা য়াদ্রবা অমা ওইরি। মসিদসু নত্তনা ওর্গানিক্কী ওইনা শা-ষণ লোইবসিসু য়াম্না মরুওইবা অমা ওইরি। শা-ষণশিংসি ওর্গানিক ওইনা লোইবা তারগদি মখোয়দা পীজরিবা খুদিংমক ওর্গানিক ওইবা তাবনি। মসি পুথোক্লবা হোৎনবদা ওর্গানিক্কী হার অমদি ওর্গানিক পেষ্টিসাইদ শীজিন্নবা তাবনি। পোৎ চৈ থাবা মতমদা নাইট্রোজেন ফোসফরস অমদি পোটাসিয়মগী চাং অমদা থম্বা হায়বসি অরায়বা থবক্তি নত্তে। মরম অসিনা শা-ষণগী অরেম-অপা ময়ামশিং অসি শীজিন্নদুনা পথুহন্দুনা নৎত্রগা তিল্লোক য়োক্তুনা অফবা মখলগী হার পুথোক্তুনা হায়রিবা এন পি কেগী চাংসি মান্ননা থম্বা য়াই।

*টেবল ১ - চাংচৎতা নোংমদা পুথোকপা শা অমগী মথি-ময়ুংশিং ঃ*

| শা মখল | মথিগী চাং (কেজি) | |
|---|---|---|
| | রেঞ্জ | চাংচৎ |
| শগোল | ৯-১৮ | ১৩.৫০ |
| ষণ | ১৮-৩০ | ২৪ |
| ইরোই | ২৫-৪০ | ৩২.৫০ |
| হামেং অমদি য়াও | ২-২০ | ১.২৫ |
| ওক | ৩-৫ | ৪.০০ |
| য়েন (১০০) | ১-৫ | ৩.৫ |

হান্নদি শা-ষণগী অরেম অপাশিং অসি পোৎ চৈ থাবা মফমদা দাইরেক্ট হাপচিন্দুনা লৈবাক লৈহাও ফগৎহল্লি। অরেম অপা হাপ্পীবগী মতুং ইন্না পোৎ চৈ পুথোকই হায়রিবা শা ষণগী অরেম অপাশিংসি অনৌবা মওংদা হায়বদি বাইও গ্যাস, কম্পোস, তিল্লোক্কী হার অমদি বাইও ফর্টিলাইজর কয়া পুথোকপা ঙমহল্লি।

**তিল্লোক্কা শেম্বা হার :**

ইচম চম্না শা-ষণগী অরেম অপাশিংসি কম্পোস শেল্লগদি থা ৬ মুক চঙই। মসিদা তিল্লোক হাপ্লগা শেল্লগদি নুমিৎ ৬০-৭৫ ফাওবা হন্থহনবা য়াই। তিল্লোকশিং মশানা লুল্লিবা মশীংদুমক্কী মচিঞ্জাক চাবা ঙম্মী। কেজি অমগী তিল্লোকশিংনা মচিঞ্জাক কেজি অমা চাবা ঙম্মী। তিল্লোক্তগী শেম্বা হারনা ফার্ম য়াদ মেন্যুরদগী এন পি কে য়াওবগী চাং শরুক ৩-৪ ফাওবা হেল্লি।

**বাইও ডাইনামিক মেন্যুওর :**

হায়রিবা টেক্নোলোজি অসি চপ চাবা প্রমান পুথোক্লগদি ফোঙদোক্ত্রি অদুবু অয়াম্বনদি শীজিন্নরি। মসিদা খুদক্তা ফাইরকপা ষন্থিদু ষণগী তেক্লবা মচিগী অহোবা মনুংদা হাপচিনবীরগা তা ৬মুক ষন্থি পৈফমদা পৈদুনা থম্মী। মসিদগী থোরকপা হার অসিনা লৌ একর অমদা গ্রাম ৩৫ ঈশিং লিটর ২০দা থিৎপীরগা চাইবিরগদি মাইক্রোব ময়াম অমা পুথোক্তুনা মফমদুদা লৈরম্বা হূ চেনবা তীল ময়াম অমা হাৎপা ঙমহল্লি।






**পাঞ্চগবয়া :**

মসি শেম্বদা মখল মঙা চঙই। মখোয় অদুদি ষন্থি, ষণয়ুং, শঙ্গোম, শঙ্গোম অফম্বা অমদি ঘীনি। মসিগী মথক্তা চিনি অঙাঙবা, লফোই, য়ুবী মহীসু হাপ্পীবা য়াই। মসি শেম্বীগে হায়রগদি অহানবদা হেক ফাইরকপা অনৌবা ষন্থি কেজি ৫দা ঘী লিটর অমা হাপ্লগা নোংমদা অনীরক-অহুম্লক ওৎপীরগা নুমিৎ হুমনি থম্বীগনি। মসিগী মতুংদা ষণয়ুং লিটর ৫ শঙ্গোম লিটর ২, শঙ্গোম অফম্বা লিটর ২, চুহি লিটর ৩ নৎত্রগা চিনি অঙাঙবগী মহী, লিটর ৩গী য়ুবী অনৌবগী মহী, লফোই মশীং ১২ হাপ্পীরগা ওৎপীগনি। হায়রিবা মীকচরসি নুমিৎ ১৫নি পুমথহল্লগা থম্বীগনি। মসিগী মতমসিদা কান্নরবা বেক্টরিয়া ময়াম অমা মচা পোকহনবা ঙমহল্লি। হায়রিবা পাঞ্চগবয়াগী মহিসি লৌউ-শিংউ, এঙ্খাং নাপি থাবা মতমদা শীজিন্নরগসু লায়না কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙমহল্লি। শা-ষণশিংদদি পাঞ্চগবয়াগী মহিসি এম এল ১০-১২ ফাওবা মচিঞ্জাক্তা নৎত্রগা ঈশিংদা হাপ্লগা পীথকপীবা য়াই। মসিদা চখাও অমদি থিরিন দগী থোরকপা লায়না কয়া অমা ঙাকথোকপা ঙমহল্লি। অসিগুম্লবা পাঞ্চগবয়া মহিসি য়ূমদসু অদুম শেমজবা য়াই।

ষন্থি-ষণয়ুং শীজিন্নদুনা ফার্ম য়ার্দ মেন্যুর পুথোক্লিবসিদা নাইট্রোজেন, ফোসফরস অমদি পোটাসকী চাংসি ০.৫%, ০.৬%, ০.২০% নি অদুবু তিল্লোক য়াওরগা শেল্লকপা হারদদি ১.৫%, ২%, ১% নি। ষন্থি-ষণয়ুংশিং অসি নীংথিনা শেল্লগদি ক্বালিটি লৈবা হার শেম্বা ঙমগনি। ষন্থিনা পীরিবা মখল কয়াগী কান্নবশিং :

- ষন্থিদা এন্টিসেপটিক্কী মচল য়াওবনা ষণগোন্দা ষন্থিগা থিৎলগা চাইথোকপনা লায়না থোকহনবা য়াবা তীলশিং হাৎতোকপা ঙমহল্লি।
- ঊনশাদা মরীক মরীক চোংথোকপা নৎত্রগা অপোম্বা লৈরগদি নীমগী মনাসি ফজনা শুগাইবিরগা ষন্থিগা তোৎনরগা ঊনশাদা তৈবীরগদি য়াম্না থুনা হঞ্জিহল্লি।
- ষন্থি অকংবা মৈ থাবিরগদি কাঙ ইনবা ফৈ।
- ষন্থি মৈ থাখ্রবা তুংদা উৎশিংদুসু অমুক কোল-লীক ফেংবা য়াই।
- তীল কাঙ হাৎনবগী শেল্লকপা মতমদা ষন্থিসু মচল অমা ওইনা শেম্বীবা য়াই।
- থাগদবা মরূশিংদা ষন্থি য়োল্লগা থারগদি থুনা হৌবা ঙমহল্লি।
- ষন্থিদা মীনরেল মখল ১৬মুক য়াওই। মসিদা লৈবাক্তা শীজিন্নরগদি লৈবাক লৈহাওগী চাং হেনগৎহল্লি।
- ষন্থিদা য়াওরিবা মাইক্রো ওর্গানিজমশিংনা বেক্টরিয়া কয়া হাৎতোকপা ঙমহনবদা নত্তনা লৈপাক লৈহাও ফনা থম্বা ঙম্মী।

**ষণয়ুংগী কান্নবশিং ঃ**

ষণয়ুংশিংসি ফজনা শেংদোক্লবা হীদাক শেম্বদসু শীজিন্নরি। ষণয়ুংদা য়াওরিবা মীনরেল মখলশিংসিনা মীওইবদা, শা-ঙাশিং অমদি পাম্বীশিংদা কান্নবা কয়া পীরি। নোংমদা ষণ অমনা ষণয়ুং লিটর ৬-১৫ ফাওবগী ষণয়ুং পুথোকই। করিগুম্বা তীল কাঙনা চীকপা তারগসু ষণয়ুং তৈবীরগদি নাবগী চাং য়াম্না হন্থে। মসিদসু নত্তনা ষণয়ুংশিংসি তীল কাঙ হাৎনবদসু শীজিন্নবা য়াই। মসিদা নত্তনা ষণয়ুং লিটর ১৫ অমদি নীম মনা কেজি ১ লৌবিরগা নুংশিৎ চঙহন্দনা পাত্র অমদা নুমিৎ ১৫ নি থম্বীগনি। মসিগী মতুংদা চনম গ্রাম ১৫ হাপ্পীরগা তঙ্খায় ফাওবা হন্থহন্নবা মৈদা লোম্থোকপীরগা মসিগী মহীসি লিটর অমদা ঈশিং লিটর ১০০ হাপ্পীরগা মহী লাংহল্লবা তুংদা তীল কাঙ হাৎনবগী হীদাক ওইনা শীজিন্নবসু য়াই।

ষন্থি ষণয়ুংগী কান্নবা কয়াসি লৌদুনা অমদি ওর্গানিক ফার্মিং তৌদুনা অফবা মখলগী পোথোক কয়া অমা পুথোক্তুনা হেন্না কান্নবা অমা ওইহল্লসি।

# এদিটরদা থারকপা চিঠি/ৱাকৎ/মীয়ামগী খোল্লাউ/পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ ....

## পোকওঁদেগী চৎনরক্লবা চৎনবী

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**য়েরুম্বুনা** অমাংবনি মহায়বা, শঙ্গোম্বুনা অশেংবনি মহায়বা অমাং-অশেংগী তুকা থিরিবসি কনাননো? ষণবীদগী শঙ্গোম শুম্নবা হোৎনবদা ষণনাও মচা অদুবু পুন্দুনা থম্বীবা, মপীগী খোল্লাং থক্লিংবনা ঙাওরবা ষণনাওদুনা উৎলমগদবা মওং-মতৌ খুদিংমক্লা খঙনরবা-উনরবা ঙাক্তনি। থাঙ্গৈশেংবদি নম্ফুন্দা পাঙ্গল শীজিন্নদুনা মপীদগী শঙ্গোম শুমদোকপনি। অশেংবমক লাইগী ৱায়েল, মীওইবগী ৱায়েলদা শঙ্গোম অয়াম্বা ষণনাওগী লুখাকনি হায়বা কাইদ্রবনি। ষণনাওদুনা হান্না থক্লগা কোন্না শুম্বা ঙাকনি। লুখাক্তুগী শঙ্গোম লাইদা অদুমক শেংনা কৎলি। কনানসু অমাংবা শঙ্গোমনি হায়খিবা লৈতে। মসিদা চুমদৌরিবসিবু কদায়দনো? চৎনবী অমা ওইনা চৎনখ্রবনিনা খঙদবা কনাগুম্বসু অচুম্বা ওইরবোই নীংদুনা অদুমক মতুং ইন্নবনি। নুংগী ওইবা ৱাহম্বোক্তি কনানসু থিজিল্লুদে। চহী চূপ্পা শুদবমখৈ মরেক কাদুনা লৈরবা মুগানা, শমতুনা অশেংবা ফিনি হায়দুনা থাজনবা, লশিংনা শাবা ফিবুনা তুমথোক্তুবদি মাংই মহায়বা অঙকপনি ঐখোয়গী চৎনবী। ইরুজবা ঙাক্লা অশেংবা ওইরবদি ঈশিংদসু কংফালদসু হৈনবা হঙোইগা ঙানুগা অনীসি অশেংবনি হায়বদা করি লানগনি? অশেং-অমাংদা তুকা থিদুনা লৈরিবা ঐখোয়সে ঙসি ফাওবদা চাওখৎপা হায়বদু ওইদৌরিব্রা? হকচাং মোত্তনবা ইরুজ মায়থজবদি পুন্সি নুংশাংনবা হকচাং নুংঙাইনবা লম্বীনি। ইরুজববু ফত্তে হায়বদি লানগনি। অদুবু য়াম্না লুরিবা অমনা ইরুজরগা অশেংবনি, ইরুজদ্রগা অমাংবনি খাইদোকপা মসিগী চৎনবীসিসু অদুমক মরৈরি। খ্বাইদগী মরু ওইবদা থম্মোয় শেংবা, থাজবা হায়বসিদগী হেনবসিবু করি লৈরিবগে? রমায়নগী ৱারীদা শ্রীরামচন্দ্রনা বনদা চৎপদা হাওনুবী অমনা মশানা চাবা বোরোই কৎখিবা নীংশিংবা য়াবনি। থম্মোয়দি শেংদনা অমাং-অশেংগী ৱাখলদা লমজেল তান্নবসি হৌজিক্কী মতমদা অফবা ওইরক্ল বগী লম্বীনি হায়বা লানগদৌরি। অশেং-অমাং, কাঙলূপ-ফুরুপ অসুক্কী মতিক খাইরিবমখৈ ঐখোয়গী ইরমদম নোংমা নোংমগী নুংশিনদবগী মরী য়ামথোক্লক্কদৌরিবনি। চাওখৎপগী লম্বীদা মাঙজিন থাগনি হায়বসিমদি থাজবা ৱাৎতুনা লৈদৌরিবনি। শরূ পোলাংখক্তমক ওইরবা মোইবুং মনুংদগী ঐজ্ঞানা চাইথোরকপা ঈশিংনা অশেংবনি খন দুনা য়ৌহৌদবা কনাগুম্বনা ঐজ্ঞা শোমদসু হায়না লুকথনরি। মসিনা করম্বা থাজবা? মোইবুং মনুংগী ঈশিংদুবু অশেংবনি থাজনবা, মসিগা লোয়ননা মখোল থোক্লা য়ৈরিবা পুঙ ময়ায়দা তিংলিবা পোৎশক্তুনা করম্বা মখলগী পোৎশক্লো? মসিগী মতাংদা মাঙই হায়দুনা চিনথোকপা কনা য়াওখ্রবগে? মুন্না হেক খঞ্জিল্লুবদা অরানবগী অরানবা ঙাক্তনা অচুম্বা ওইহনবা মসিনা কয়াম কুইনা লৈদৌরিবা? পূম্নমকসি অদুমক থাজদুনা লৈবা তারিব্রা?

থাজবা অমসুং থম্মোয় শেংবা অনীসিদগী হেনবসিবু করম্বা অমমুক লৈরিবগে? অনীসিবু য়াওদনা পুজা লিশীং অমা তৌদুনসু লাই লাক্ষ অমা নীংদুনসু মদু উক্রোংদা রঙ তৈবগুম্বনি হায়বদা লাল্লরোই। অমুবা মচু, মঙ্গে মচু, চুহি মচু, অঙৌবা মচু, মরাং-তুরাংবা মচু কয়াগী ষণবীগী শঙ্গোম মচু খেন্নবা লৈখিদ্রি। মীওইবা কাঙলূপসিনা হিংলিঙৈগী মনুংসিদা খেন্নবা ময়াম অমা লৈহনবসিনা নুংশিনদবগী মরম ওইহনবনি। মীওইবা কাঙলূপসিনা ঐখোয় অমতনি হায়বগী ৱাখল্লোনসিমা লৈরম্লবা কদায়দগী লান, কদায়দগী টেররিষ্ট, কদাইদগী কাঙলূপ-ফুরুপ অমত্তা লৈরম্মোই। কাঙলূপ অমগা কাঙলূপ অমগা নুংশিনরক্তুবা মদুগী হৌরকফম অমদি অদুমক লৈরমদৌরিবনি। হিংলিবা ঐখোয়সি মালেমগী লৈমায়দগী নোংমদি চৎখিবা শোয়দ্রবনি। মানা হান্না চৎখিবা, মানা কোন্না চৎখিবা মতম খরা খেন্নবগী ৱাদনি। মসিগী ৱাখলসি নোংমগী মনুংদা মিনট অমখক্তং খনবদা হিংচা য়াইতম্বগী ৱাখল লৈদৌরিবসিবু কদায়দনো? তাইবঙসিদা নঙগীনি হায়দুনা লৈরিবা লন-থুম, নুপী-নচা, মরী-মতা, সনা-লুপা নঙনা চহী শাংনো পুন্সিরবসু পুবা য়াবা, মতোমতা ইন্নরক্কদবা অমত্তা নত্তে। পূম্নমক অসি ময়ানি, লৌনমনি, অরেম্বনি। কাঙলূপ-ফুরুপকী মরক্তা লৈরিবা অমাং অশেং অসি তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়না শেমজবনি। চৎনবীনি হায়দুনসু মতমগা চান্নরোইদবা, মদুগী মতুং ইন্নীংবা কনাসু লৈরোই। অমাং অশেংদা তুকা য়াম্না থিরিবা মহাক্তু অতোপ্পা ফরুপকী কাঙলূপনা নুংশিরমগনি থাজবা ৱাৎলবনি। য়াম্না খঙবা, য়াম্না উবা, য়াম্না থাজবা মীওইদুদি মশা মথন্তা ৱাজবা নত্তনা করিগুম্বা অমত্তা লৈররোই। লম্বী অশাংবা চৎপগী মহুত্তা লম্বী অশম্বা চৎনবনা হৌজিক্কী মীওইশিংগী অপাম্বনি। মালেমসিগী কাচিন কোয়াবু উবা ঙম্লবা কম্প্যুটর, মফম কয়াগী ঈ-পাউ খুদক-খুদক্তা ঙাঙন-শক্লবা য়াবগী খুদোংচাবা ময়াম অমা ফংলবা মতমসিদা মমাঙওঁদেগী চৎনরক্লবা চৎনবীনি হায়দুনা অসুমক মরৈরগদি ঐখোয়গী লম্বী চাওথোকনীংঙাইগী মরম লৈরক্লোইদৌরি। ফুরুপ অমগা ফুরুপ অমগা নুংশিনদবগী অচৌবা পল অমনা অসুমক থিংদুনা লৈরগদি মমৈদা নাকপাক-নাকপাক তাবগী লম্বী লাক্কদৌরি। নুংবু নুংশিনরবদি কাঙলূপ-ফুরুপ, অমাং-অশেং খায়দে হায়বসিমা ফোং-ফোং শানা অদুমক থেংনরবা ঙাকনি। মসিনি মীওইবা ঐখোয়দা তাইবঙ মপূনা পীরল্লিবা, তম্বীরল্লিবা খুদোল। ময়াংনি, চীংমীনি, মীতৈ পাঙলনি হায়দুনা লৈবসিনা মমৈদা নুংশিনবদগী লাপথোক্লরকপা শোয়দ্রবনি। ঐদি অদুগী মচানি, অদুগী চাদা-নাউদানি, ইপা ইপূনা চৎনরম্বা থবক-থৌরম নত্তনা ঐদি তৌরোই হায়বা মসিদি মমৈথংদা অঙাওবা তাদনীংঙাই লৈরোই। মতাংগা মতমগা অনীসিগী মতুং ইন্না চৎপনা কনানসু করিসু হায়রক্কদবা লৈত্রবনি। খুরুম তোংদুনা উগী খুদেংদা কাঙকোট, চরু উটতা চুম্বা ঈশিংনা ফিরোল শু-চাম্বগী মতৌ তৌরুবদা অউবা মীনা ঙাঙনগদবা, কনানসু মীওইবগী মচিন মেনবা ঙমগদবা নত্তে।

*অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা, খুরাই লাইৱাংবা মমাঙ, ইম্ফাল*

ADMISSION OPEN

ENGLISH COACHING

For

- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE [Eligibility : Class X, XII, Graduate & Young mothers]

At


SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)

Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal

Contact No. ☎ 8974642764

HL-P/3661/7/10-5/11

THANKS "URINARY TRACT AND STONE CASE TREATMENT CENTRE"
SAGOLBAND KHAMNAM LEIRAK, IMPHAL


L. Sudhakar

I would like like to thanks Pabung Laishram Nabakishore of Sagolband Khamnam Leirak Near I.T.I Imphal. For his treatment in relieving and curing my Mother's stone case from Kidney (Before 15 years) I, son of Yengkhom Premila would like to suggest to the general people to please concult him.

Now, I have been also treating my stone problem to his son Laishram Sudhakar (Samu) instead of Pabung Nabakishore having a firm believe in relieving my pain.

Sd/- Yengkhom Gunchenba
Luwangshangbam Makha Leikai

HL-P/5627/5

OFFICE OF THE RETURNING OFFICER
ELECTION TO THE DELEGATES & BOARD OF DIRECTORS
OF THE IMPHAL URBAN CO-OPERATIVE BANK LTD.
M.G. AVENUE, IMPHAL

NOTIFICATION

Imphal dated, the 3rd November, 2018

No.1/RO/Election/IUCB/2017: In exercise of the power conferred upon me under Rule No. 23 of the rules for Election of Delegates and Board of Directors of the Imphal Urban Co-operative Bank Ltd. , I Shri T. Pradwipkumar Singh, Returning Officer , do hereby notify for election of Board of Directors of the Imphal Urban Co-operative Bank Ltd for the term 2017-2018 to 2021-2022 as per schedule given below:

And, therefore any interested elected Delegates may file their nomination papers in the Prescribed Form –D which is available at the Head Office of the Bank

| Sl.No. Programme | Date |
|---|---|
| 1. Issue of Nomination paper | 05-11-2018 to 12-11-2018(during office hours) |
| 2.Submission of nomination papers | 13-11-2018 to 16-11-2018(upto 4.00 p.m) |
| 3.Date of Scrutiny | 17-11-2018 & 19-11-2018(11a.m) |
| 4. Withdrawal of Nomination papers | 21-11-2018( upto 2 p.m.) |
| 5.Publication of final list of contesting Candidates | 23-11-2018 |
| 6.Date of Election | 02-12-2018(10.30 a.m to 3.00 p.m) |
| 7.Venue | Administrative Office Imphal Urban Co-op. Bank Ltd M.G. Avenue,Imphal. |

Sd/- T. Pradwipkumar Singh
Returning Officer
Election to the Delegates and Board of the Directors of the Imphal Urban Co-operative Bank Ltd.

HL-P/5635/4,5&6

THE IMPHAL URBAN CO-OPERATIVE BANK LTD.
ADMINISTRATIVE OFFICE, M.G. AVENUE, IMPHAL

NOTICE

Imphal, the 3rd November, 2018

No.IUCB/23(a)//2018-2019 : Notice is hereby given to all the Delegates of the Bank for the term 2017-2018 to 2021- 2022 that a Representative General Body Meeting of the Bank will be held on Sunday, the 2nd December 2018 at 10.30 a.m. at the Administrative Office of the Bank to elect 12(twelve) Directors including President and Vice-President as per Clause No. 22(iv) read with Clause No. 31(ix) of the By-laws and Rules for Election of Delegates and Directors of the Bank as per programme noted below:-

1. Issue of Nomination Papers - 5-11-2018 to 12-11-2018
2. Submission of Nomination Papers - 13-11-2018 to 16-11-2018
3. Scrutiny of Nomination Papers - 17-11-2018 to 19-11-2018
4. Withdrawal of Nomination Papers, if any (during office hours) - 21-11-2018
5. Publication of Final List of candidates - 23 -11-2018

Notice is also given to all Delegates of the Bank for their kind information and submission of Nomination Papers if any of them is found eligible and willing to contest in the election.

By Order of the Administrator.

Sd/- N. Uma Devi
Dy. General Manager

HL-P/5635/4,5&6

/Piles কী ওজা
Kabiraj Abdul Hak পু ঙমখৈ
লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি

ঐহাক মতম শাংনা Piles না নাবদগী খ্বাঙ নাবা, গ্যাষ্ট্রিক লৈবা, খোঙ হামবা চাং নাইদবা, খোঙ হাম্বা মরক-মরক্তা ঈ য়াওবা, চেখাইরগা য়াম্না থুপ্পা শাবা, শৌজদা হাক্কৎচবা, কক্-কক্ থিনবা, শৌজ মনুংদগী মচুম তাবা, মনম নমথিবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী শৌজ তারকপা, ইনখৎত্রিফাওবা চংউ য়াদবা, শৌজগী অকোয়বদা মকুপ মকুপ শৌবা, শোকপদা নাবনি। অদুবু Wangoi State Bank Awang (পাঙন লৈরক) তা লৈবা ওজা Kabiraj Abdul Hak. Contact No. 8794429681 কী মনাক্তা চৎতুনা ওজাগী হিদাক চাজবদগী শুপ্নগী নুমীৎ ১৫ নিদা অৱাবা নুংঙাইতবা পুম্নমক কোক্লে। ওজাবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি অমদি পাইলস প্রোব্লেম লৈবশিংনা ওজাগা তান্নবীদুনা পুন্সি নুংঙাইনা লৈবীয়ু হায়জনিংই।

*থাগৎচরিবা :* SH. PRAKASH
Thouda Bhabok Leikai

HL-P/5569/5